# রিও ওলেম্পিক্স ঃ ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিম অর্জেন্টিনাগী মখূৎতা মায়থীহৌদুনা রিওগী কেম্পেন লোইশিনখ্রে

## ইন্দিয়ানা বেলজিয়মগা ক্বার্টর ফাইনেলদা থেংনরগনি, ললিতা ফাইনেল চঙখ্রে, রোৱর দাতুনা ১৫ শুবদা লৈখ্রে



রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১৩ ঃ ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমনা মফম অসিদা চথরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখিবা মখোয়গী গ্রুপ বিগী অরোইবা মেচতা অর্জেন্টিনাগী মখূৎতা ০-৫ দা মায়থীহৌখিবদগী রিওগী কেম্পেন লোইশিনখ্রে।

মায় পাকখ্রবা অর্জেন্টিনাগী গোলশিং অদু মার্টিনা কবালেরোনা মেচকী মিনিট ১৬ অমদি ২৯ দা গোল অনী, মারিয়া গ্রানাটোনা মেচকী মিনিট ২৩, কর্লা রেবেকিনা মেচকী মিনিট ২৬ চৎপা মতমদা অমদি অগষ্টিনা অলবাটারিওনা মেচকী মিনিট ২৭ চৎপা মতমদা গোল অমমম চনখি। অদুগা ইন্দিয়ানা মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা গেমস অসিদা মখোয়গী মরিরক শুবা ওইনা মায়থীখি।

ঙসিগী মায়থীখিবা অসিনা ইন্দিয়ানা কুমজা ১৯৮০ দা নুপীগী ওলেম্পিক হোকিদা শরুক য়াখিবা অদুগী মতুংদা খ্বাইগী নিংবা কায়না মপান থোকখিবসু ওইখি।

ইন্দিয়ানা মহাক্কী ফংখিবা মেচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী মখূৎতা ৬-১ দা, গ্রেট ব্রিটেনগী মখূৎতা ৩-০ দা অমদি য়ু এস এগী মখূৎতা ৩-০ দা মায়থীহৌখি। অদুগা মখোয়গী ওপনিং মেচতা জপানগা মায়োক্নখিবদা ২-২ না দ্রো চৎখি।

ইন্দিয়ানা লন্দন গেমসকী শিলভর মেদলিষ্ট অর্জেন্টিনাগী মখূৎতা গোল মার্জিন ৱাংনা মায়থীখিবা অসিনা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোকিদা অচৌবা অশোয়বা অমা লৈরে হায়বদু তাকখি। ইন্দিয়ানা রিও ওলেম্পিক্সতা গ্রুপ মেচতা ফংখিবা মেচ অহুম মায়থীখিবা অমদি অমনা দ্রো চৎখিবা অসিনা ইন্দিয়াগী নুপী হোকিবু অমুক নৌহৌননা রিফোর্ম তৌবগী অপান্বা মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী নুপা হোকি টিমনা মফম অসিদা চথরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা মশক নাইরবা বেলজিয়মগা মায়োক্নদুনা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়ানা চহী ৩৬ কী মতুংদা অহানবা ওইনা রিও ওলেম্পিক্সকী সেমী ফাইনেল চঙননবগী চাউরবা আশা অমা তৌবা হৌখ্রে।

ৱর্ল্ড নম্বর ফাইভতা লৈরিবা ইন্দিয়ানা মখোয়গী পুল বিদা ফংখিবা মেচ মঙাগী মনুংদা অনীনা মায় পাকখি। মেচ অনী অমনা মায়থীখি। অদুগা মেচ অমনা দ্রো চৎখি।

থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা নুপাগী হোকি মেচ অমদা অর্জেন্টিনানা আইয়রলেন্দবু ৩-২ দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা মফম কনবা ঙমখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াবু হান্না লৈরম্বা মফমদগী ইন্থুরমখি।

কুমজা ২০১৪ গী এসিয়ন গেমসকী চেম্পিয়ন ইন্দিয়ানা হৌজিক ক্বার্টর ফাইনেলদা বেলজিয়মগা লম্বা তৌদুনা অঙম্বা মতিং উৎনরগনি। বেলজিয়মনা মখোয়গী পুল এদা ফংখিবা মেচ মরি মায় পাকখিবা অমদি মেচ অমনা মায়থীদুনা টেবলগী খ্বাইগী মকোক্তা লৈখিবনি।

**এথলেটিক্স** ঃ নুপীগী ষ্টিপলচেসর ললিতা বাবরনা মফম অসিদা চথরিবা রিও ওলেম্পিক গেমসকী থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখিবা ষ্টেপলচেস ইভেন্টতা মশক থোক্না চেনখিদুনা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবগা লোয়ননা ফাইনেলগীদমক খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

ললিতানা মহাক্কী অনীশুবা হিটতা ৯:১৯.৭৬ সেকেন্দ চেন্দুনা মরিশুবা পোজিসন তাদুনা ফাইনেলগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি।

**রোয়িং** ঃ ইন্দিয়াগী রোৱর দাতু বোপানানা থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখিবা রিও ওলেম্পিক্সকী মেন'স সিঙ্গলস স্কলতা ১৫ শুবা মফমদা লৈখিদুনা মেদলগী আশা মাঙখ্রে।

### OLYMPICS MEDALS

| POS. | COUNTRY | GOLD | SILVER | BRONZE | TOTAL |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | USA | 21 | 14 | 17 | 52 |
| 2 | CHINA | 13 | 10 | 15 | 38 |
| 3 | GREAT BRITAIN | 8 | 10 | 6 | 24 |
| 4 | GERMANY | 7 | 4 | 3 | 14 |
| 5 | JAPAN | 7 | 3 | 14 | 24 |
| 6 | AUSTRALIA | 6 | 6 | 7 | 19 |
| 7 | KOREA | 6 | 3 | 4 | 13 |
| 8 | RUSSIAN | 5 | 9 | 8 | 22 |
| 9 | FRANCE | 5 | 7 | 5 | 17 |
| 10 | HUNGARY | 5 | 3 | 3 | 11 |
| 11 | ITALY | 4 | 7 | 4 | 15 |
| 12 | SPAIN | 3 | 0 | 2 | 5 |
| 13 | NEW ZEALAND | 2 | 6 | 0 | 8 |
| 14 | CANADA | 2 | 2 | 6 | 10 |
| 15 | KAZAKHSTAN | 2 | 2 | 3 | 7 |

### Indian athletes for Day 8 at the Rio 2016 Olympics.

**August 14, 2016 (Sunday)**

*Badminton - Women's singles* Group G - 5;25 PM
*Athletics* Marathon - 6:00 PM OP Jaisha, Kavita Raut
*Badminton - Men's singles* Group H - 7:10 PM
*Badminton - Women's singles* Group M - 7:45 PM

**August 15, 2016 (Monday)**

*Wrestling* Greco-Roman 85 kg - 7:00 PM
Ravinder Khatri
*Athletics*
Discus Throw - 5:00 AM Seem Punia
*?Long Jump qualification* - 5:50 AM Ankit Sharma

## ইন্টর স্কুল গেমসকী ট্রাইএল

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ঃ
দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস ওফিস (দি ৱাই এ এস ও) চুড়াচান্দপুরনা শিন্দুনা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংগী ওইবা ইন্টর স্কুল গেমস ২০১৬ কী ট্রাইএল পাঙথোক্লগনি।

আর্চরি মশান্নগী ওইনা চহী ১৪ অমদি ১৭ কী নুপা অমদি নুপীগী ট্রাইএল ওগষ্ট ২২ দা পাঙথোক্লগনি। চহী ১৪ অমসুং ১৭ কী নুপা অমদি নুপীগী জুদোগী ট্রাইএল ওগষ্ট ২৩ দা পাঙথোক্লগনি। চহী ১৪ অমসুং ১৭ কী নুপা অমদি নুপীগী টাইক্বান্দোগী ট্রাইএল থা অসিগী ২৪ দা পাঙথোক্লগনি। চহী ১৪ অমসুং ১৭ মখাগী নুপাগী বোল্লিবোলগী ট্রাইএল সেপ্টেম্বর ১ অমসুং ৩ দা, চহী ১৪ মখাগী নুপা অমদি নুপীগী ফুটবোলগা লোয়ননা পাঙথোক্লগনি।

চহী ১৪ অমসুং ১৭ মখাগী নুপা অমদি নুপীগী এথলেটিক, চহী ১৭ মখাগী নুপা অমদি নপীগী কবাদ্দি অদুগা চহী ১৪ অমসুং ১৭ মখাগী নুপা অমদি নুপীগী বেদমিন্টনগী ট্রাইএল সেপ্টেম্বর ১৩ দগী ১৫ ফাওবা পাঙথোক্লগনি।

# ইন্দিয়াদা হোকিগী ঈহৌ লাকখিবা অমসুং ওলেম্পিক্স এরেনা য়ৌরকখিবা



*ইন্দিয়ন হোকি টিম - বর্লিন-১৯৩৬*

হান্নগী মখা...

বালে টিৱারি মশামকসিসু হোকি চঙখোন্না হৈবা মীশক্লি। ধ্যানচান্দনা জোইন তৌরুরিবা রেজিমেন্ট অসি হোকি ফজনা পাম্নবা মীওই ঙাক্তা ওইরমদুনা মতম ছৈহাক ফংবদা হোকিদনা হেন্না পূক্নিং থম্নরকখি।

হোকিগী ওইনা প্রেক্টিশ তৌবসি অয়ূক নুংথিল হায়বা অমা লৈতনা লেপ্তুনা শান্নরকখি। তশেংনা ইন্দিয়ন হোকিনা শাফোঙলকখিবসিদি কুমজা ১৮৮৫ দগীনি। অহানবা হোকিগী ক্লব লিংখৎলকখিবা অসিনা কলকত্তাদনি। মথংদা বোম্বেদা শনে দারকখি। লোয়ননা বোম্বে অসিমকসু হোকিগী মরু ওইবা সেন্টর অমা ওইরকখি। অদুগা ইন্দিয়াগী মরু ওইবা হোকিগী নেসনল টুর্নামেন্ট অসিনা 'বাইটন কপ' নি। হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসি কুমজা ১৮৯৫ দা কলকতাদা হৌদোরকখি। মথংদা বোম্বেদা অগা-খান টুর্নামেন্ট পাঙথোরকখি।

অসুম্না ইন্দিয়াদা হোকিগী ঈহৌ মথং মথং কনখৎনরকপগা ইরোইননা পঞ্জাবরোমদসু হোকি মশান্নসি এদ্যুকেসনেল ইন্সটিট্যুসনশিংদা হাপচিল্লক্তুনা শান্নহল্লকখি। লোয়ননা কুমজা ১৯০৩ দা পঞ্জাব য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস টুর্নামেন্টতা হোকি মশান্নসু য়াওহল্লক্তুনা কম্পিটিশন তৌনহল্লকখি। হায়রিবা চহীদুদা লাহোর জিমখানা ক্লবনসু ফষ্ট ওপন হোকি টুর্নামেন্ট পাঙথোরকখি।

**ওলেম্পিক হোকিদা ইন্দিয়া**
**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**

লেপ্তুনা মথং মথং শান্নরকপনা ইন্দিয়াগী হোকি শান্নরোয় ইন্টরনেসনল এরেনা য়ৌবা ঙম্লকখি। কলকটানা অহানবা ওইনা লুচিংদুনা কুমজা ১৯০৮ বেঙ্গোল হোকি এসোসিএশন শেম্লকখি। মথংদা কুমজা ১৯১৯ দা আর্মি স্পোর্টস কন্ট্রোল বোর্দ শেম্লকখি। হায়রিবা বোর্দ অসিনসু ইন্দিয়াদা হোকি চাওখৎলক্কবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরকখি।

ইন্দিয়ানা ওলেম্পিক্স গেমসতা শরুক য়ারকখিবসিদি কুমজা ১৯২৮ গী অমষ্টরদাম ওলেম্পিক্স গেমসতগীনি। মসিদা অহানবা ওইনা ইন্দিয়ানা হোকিদা ওলেম্পিক্স মেদল লৌবা ঙমখি। চহীদুদা নেদরলেন্দনা অনীশুবা, জর্মনিনা অহুমশুবা তাখি। কুমজা ১৯৩২ গী লোস এঞ্জেলস ওলেম্পিক্সতসু ইন্দিয়ানা গোল্ড, জর্মনিনা শিলভর, নেদরলেন্দনা ব্রোঞ্জ ফংখি। কুমজা ১৯৪৮ গী লন্দন ওলেম্পিক্সতসু ইন্দিয়ন হোকি টিম্না গোল্ড, গ্রেট ব্রিটেননা শিলভর, নদরলেন্দনা ব্রোঞ্জ লৌখি। কুমজা ১৯৫২ গী হেলসিনকি ওলেম্পিক্স গেমসতসু ইন্দিয়ানা গোল্ড, নেদরলেন্দনা শিলভর, গ্রেট ব্রিটেননা ব্রোঞ্জ ফংখি। মসিগী মখা তারকপা মেলবোর্ন ওলেম্পিক্স ১৯৫৬ তসু ইন্দিয়ানা গোল্ড, পাকিষ্টাননা শিলভর, ওষ্ট্রেলিয়ানা ব্রোঞ্জ লৌখি। কুমজা ১৯৬০ গী রোম ওলেম্পিক্সতদি পাকিষ্টান্না গোল্ড, ইন্দিয়ানা শিলভর, স্পেননা ব্রোঞ্জ ফংখি।

-মথং-মথং

## সুভাস থাঙ-তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট খনখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ঃ
জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী ইন্দোর স্পোর্টস কমপ্লেক্স এম এ ষ্টেদিয়মদা হৌখিবা ওগষ্ট ১ দা পাঙথোকখিবা থাঙ-তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী জেনরেল বোদি মীফমনা এল সুভাসপু ফেদরেসন অসিগী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুননবা খনখ্রে হায়রি।

থাঙ-তা এসোসিএশন ওফ দিল্লিগী মেম্বর অমসু ওইরিবা চহী কয়াগী মমাঙদগী ঐখোয়গী নাৎকী ওইরিবা থাঙ-তাগী চাওখৎ খোঙথাং কয়াদা শরুক য়াদুনা লাকখিবা এল সুভাসপু প্রসিদেন্ট অমা ওইনা থাঙ-তাবু মিনিষ্ট্রি ওফ স্পোর্টস, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা রিকগনাইজ তৌনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরগনি। মহাকপু প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লকপদা এসোসিএশন অসিনা হরাউবা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

## ময়াই লম্বী কোলেজনা নুপাগী, থৌবাল কোলেজনা নুপীগী ইন্টর কোলেজ কবাদ্দিগী ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ঃ
মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটিগী মিৎয়েং মখাদা থৌবাল কোলেজনা শিন্দুনা থৌবাল কোলেজগী ইন্দোর জুবিলি ষ্টেদিয়মদা চথরকখিবা এম য়ু ইন্টর কোলেজ কবাদ্দি টুর্নামেন্ট ২০১৬-১৭ কী ঙরাং নুমিদাং লোইশিনখিবগা লোয়ননা ময়াই লম্বী কোলেজনা নুপাগী অদুগা থৌবাল কোলেজনা নুপীগী ৱিন্নর ওইখ্রে।

ঙরাং শান্নখিবা নুপাগী ফাইনেল মেচতা ময়াই লম্বী কোলেজনা থৌবাল কোলেজ পোইন্ট ৪৮-৪১ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি। নুপীগী ফাইনেলদা থৌবাল কোলেজনা ময়াই লম্বী কোলেজ পোইন্ট ৫৩-৩৩ মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি। টুর্নামেন্ট অদুদা থৌবাল কোলেজগী বিদ্যারানিনা বেষ্ট প্লেয়র তাখি। নুপাগী কাঙলুপ্তা ময়াই লম্বী কোলেজগী এল অলভিসনা বেষ্ট প্লেয়র তাখি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –১৬

1. কুমজা ১৯৬৬ তা ইংলেন্দা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল পাঙথোকখি। মদুদা ৱেম্বলি ষ্টেদিয়মদা ফ্রান্স অমসুং উরুগ্বেগী টিম্না শান্নগদবা মেচ অমা অতোপ্পা ষ্টেদিয়ম অমদা হোংহনখি। মসিগী মরম করিগীনো?
2. ওলেম্পিক্কী জিম্নাষ্টিক্সতা শরুক য়াগে হায়রবদি শান্নরোয় অমগী মশাগী চহী কয়া শুগনি?
3. মখাগী ৱাহৈশিং অসি করম্বা হঙ্গেরিগী ৱর্ল্ড কপ শান্নরোয় অমনা হায়খিবগে –“পুৱারীদা খ্বাইদগী ফবা (হৈবা) ফুটবোল শান্নরোয়দি দি ষ্টেফেনোনি। ঐহাক পেলেবু শান্নরোয় অমা ওইনা লৌদে, মহাক্তি মসিদগী হেন্না ৱাংনা লৈ”।
4. ওলেম্পিক্কী সনাগী মেদল অহুম, লুপাগী অমা, শেঞ্চেংগী অনী ফংখিবা শান্নরোয় অমা মশাগী চহী ৯৭ শুবা মতমদা কুমজা ১৯৯৬ কী অটলান্টা ওলেম্পিক্কী হৌদোকপগী থৌরমদা চেবাউ পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি। খ্বাইদগী শাংনা পুন্সিবা ওলেম্পিক্কী মেদল ফংবা শান্নরোয় অসি মশাগী চহী ১০১ শুগদবা নুমিৎ মরিনি ৱাৎলিঙৈদা কুমজা ১৯৯৯ দা লৈখিদে। মহাক্কী মমিং করি কৌই?
5. শ্রী পাওম্নম নিলকমল সিংহনা মণিপুরীশিংগী মনুংদা অহানবা ওলেম্পিক্কী শান্নরোয়নি, মণিপুরীশিংগী মনুংদা অহানবা ওইনা কম্মনৱেলথ গেমসদা শরুক য়ারুবা শান্নরোয় অদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৯, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

### হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-১৫ গী পাউখুমশিং

(১) ককচীংতাবম জেবেশ্বরি দেবী (২) অমারবতি
(৩) দোনাল্ড ব্রেদমেন (৪) জর্সি নম্বর থাদবগী (৫) ভিজেন্দর সিংহ

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-১৫ গী পাউখুম মঙামক চুম্বা অমত্তা য়াওদবনা পাউখুম ৩ চুম্না খুন্নকপশিং খনগৎলগা দ্রো ওৎচবনি। পাউখুম ৩ চুম্না থাবিরকখিবশিংদি

*(১) কে মেমী দেবী, ময়াং ইম্ফাল বজার* (২) সি এঁচ সুরজিৎ সিংহ, ময়াং ইম্ফাল বজার

### হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-১৫ গী ৱিন্নর

*কে মেমী দেবী, ময়াং ইম্ফাল বজার*

(দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)

**খুদোলপোৎ লাম্হোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম**

থা অসিগী ১৪, নোংমাইজিং নুমিৎগী নুংথিল পুং ৪:০০ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লাম্হোকচগনি।

## থৌবাল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগতা হিশু থৌবাল অমসুং এ এফ সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ঃ
দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন (দি এফ এ) থৌবালনা শিন্দুনা চরাংপাৎ মনিং লৈকায়গী আর ৱাই দি ও প্লেগ্রাউন্দদা চথরিবা অহুমশুবা এল ইবেতোম্বী দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা হিশু থৌবাল অমসুং এ এফ সি অথোকপম মায় পাকখ্রে।

থৌবালগী সুপর দিভিজন লীগকী টিম মঙানা শরুক য়াদুনা চথরিবা লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা হিশু থৌবালনা এল এফ সি গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা হিশু থৌবালগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না চেকশিন্না শান্নখিবনা টিমদুগী শান্নরোয় এম বিকিনা গোল অনীমক মেচকী ২১ অমসুং ৪৯ শুবা মিনিটতা চনখি।

হিশু থৌবালনা গোল অনী চনখ্রবদা এল এফ সিগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্নবা ফনা কন্না হোৎনরবসু গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা হিশুগী মখূৎতা মায়থীখি।

মেচ অদুদা হিশুগী লকিচান্দ অমদি এল এফ সিগী এল বোবোচাদা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম তোঙান তোঙানবা মিনিটতা বুক তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা এ এফ সি অথোকপম্না এল এম এফ এ হৈরোক গোল ৫-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা এ এফ সিগী গোলশিং অদু টিমদুগী য়াম্না মরু ওইবা শান্নরোয় অমা ওইরিবা এস ঙমনৈরিল কোমনা গোল অহুম মেচকী ১৬, ২৮ অমদি ৫৩ শুবা মিনিটতা চন্দুনা টিমগী মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাঙখি।

টিমদুগী শান্নরোয় এস রোজরনা গোল অমা মেচকী ২১ শুবা মিনিটতা অদুগা টি অর্জুননা গোল অমা মেচকী ৭৯ শুবা মিনিটতা চনখি।



HL-B/3223/29/07-28/08



HL-B/3252/8/8-7/9






HL-B/3223/29/07-28/08